# পূক্লিং ৱাখল লৈতাদবা - ৩

## (মণিপুরী খুন্নাই অমসুং পূক্লিং ৱাখল লৈতাদবা)

– ডা. সোরাম মনিকান্তা –

প্রসিদেন্ট, ইন্দিয়ন সাইকিয়াট্রিক সোসাইটি, মণিপুর ষ্টেট ব্রাঞ্চ

dr.smanikanta@gmail.com



মতম অমদদি লৌউ-শিংউ, ইঙ্খোল-শম্বল লল্লোন-ইতিক মচা-মচা তৌদুনা যূম অমা পানবদা অৱাবা ওইরমদে। লৈঙাক্কী থবক তৌবা মী য়াল্লমদে। শূফম-নোমফম লৈরম্মী। ইশাগী পোত্থোক্না শীজিন্নবা কোন্নরম্মী। হৌজিক্তি নোংমদা চঙদবা য়াদ্রবা পোৎলম খুদিংমক মপান্দগী লোইনা পুশিল্লক্লে। ঐখোয়গী ওইবা পোত্থোক অমত্তসু উবা ফংদ্রে। চান-থক্লবা চেঙ-চাক, হৱাই-চেঙৱাই, মনা-মশিং, থুম-থাউ, থোং-থাক্লবা কোল-লিক, শেৎন-ইন্নবা ফিরোল, কেবা-মৌবগী পোৎলম খুদিংমক মপান্দগী পুশিল্লকপা ঙাক্তনি। করি অমুক হায়নি শিনফম অয়াম্বা মপান্দগী লাকপা মীওইশিংনা পায়শিনখ্রে। শূফম-নোম্ফম লৈশিল্লক্ত্রে। মসিনা ঐখোয়গী শেন্মীৎলোন্দা অচৌবা অকায়বা অমা পীরকই। শেল থোক্লবা পান্থে কয়া থিরকই। ৱাদনা, শূদনা নুংঙাইবা পাম্বা হেনগৎলকই। মপান্দগী লাকপা স্কিম (Scheme) কয়া মণিপুর য়ৌরকই। মতম খরা শেনখায় হুল্লগা মী য়াম্না খোমদুনা মেম্বর ওইহনবা ঙম্বা মীশক্তা অহানবগী ওইনা য়াল্লবা শেনফম কয়া ফংহল্লি। শেল চবুন অদু ফংবগী নুংঙাইবদু মরুপ-মপাংশিংদা লিথোকই। মখোয়সু মেম্বর ওইহল্লি। অহানবগী মীওই খরদি কান্নবা ফংহৌই। মতুং তারকপদা য়াল্লবা শেনফম ময়াম অমা পুরগা চেনখি। তায়নফম খঙদে। শেল হেন্না ফংগনি খন্দুনা সনা-লুপা, অরৈবা মান-চাং কায়থোক্তুনা লাইবক য়েংলুই। মাঙদুনা তোকই। পুরুবা শেন্দোয়-শেল্লেপ শিংবা ঙমদবদগী তিন্নবা মরুপ-মপাং কায়নরকই। মতৈ-মনাও খৎনরকই। মপাম য়ৌনবা কোঙ্গায়নি। পূক্লিং ৱাখল লৈতাফম খঙদে।

মতমগী মতুংইন্না অৱা-নুংঙাই তপ্না-তপ্না কাউথোকপা ঙল্লকই। হিংদবা য়াদে। ঈজৎ লৈনা হিংনীংই। শেল থোক্লবা ৱাখল তৌরকই। মোত মান্নবা, শেল থাদবা ঙম্বা মীওই খরা পুনশিল্লগা মাইক্রোফাইনান্স হৌদোকই। শেল থাদবা হৌই। থাগী শেন্দোয় খোম্মী। স্যেরহোল্ডরশিংদা য়েন্থোক্লে। শেল চিনবা মীওই কয়া শেল পুবা লাকই। পোৎ-চৈ, মান-চাং থমদ্রবদি শেল পুবা ফংদে। থাগী শেন্দোয় পীখৎপা ঙমদবদগী বনধপ থমখিবা লৌ-ইঙ্খোল, সনা-লুপা, অহনবা ব্রান্দ ন্যু কার, ফজ-ফজরবা গাড়ী কয়া শেন্দোয় হুনবা ঙমদবদগী মাঙখিবা কয়ানি। স্যেরহোল্ডরশিংগী মরক্তসু শেল চাং নাইনা পীরকই-পীরক্তে হায়বগী খাইবুং-খাইবুং তৌনরকই। মমৈথংদা পুথোকখিবা শেনফম হঞ্জিন্নরগা মাইক্রোফাইনান্স অদুবু মায়পুননা পান্নরিবা মীওই অদুনা মান-চাং পূম্বা ফংহৌই। মখোয় মশেল ৱারৌনরকই। খৎনবা কয়ানি। মমৈথংদা কেস ফাওবা তৌনরকই। কোর্ট কানরকই। অরোই-অখম লৈতে। ৱাখল পোত্থাফম খঙদে। লৈঙাক্কী থবক মচা অমা তৌজবা ওফিসর বাবু মহাক্কী নুপীনা শেল পুরল্লবনিনা ঈজৎ য়েংদুনা শেল শিংদোকই। অদুবু যূমদদি ঈংনা-চিক্না পানবা ইমুং অমদি ওইরমদে। পূক্লিং ৱাখল লৈতাদে।

শেন্দোয় চাবী খরনা পোৎফম ফম্বী, মনা-মশিং য়োল্লিবী, কৈথেল পোৎলক্তা চা-বোরা য়োন্দুনা নোংমগী শেল তাল্লিবা কাঙবুদা শেল থাদৈ। নোংমগী শেন্দোং শেল্লেপ খোমগৎলি। অসুম্না মীওই কয়াদগী ফংলকপা অদুনা চাদা ১০-২০ ফাওবা কান্নবা ঙম্মী। ইৱা-ৱাদনা লেপ্তুনা শেল তাল্লি। মণিপুরগী সিচুয়েসন ফত্তবনা বন্দ, ব্লোকেদ তোইরকই। তম্বা ঙমদে। নীনি মরক, হুমনি মরক লম্বী থিংই। চৎপা য়াদে। মসিনা নোংমগী চরা তাল্লিবা মীওইশিংগী হিংবগী লম্বী থদৎলি। নোংমগী শেলহুন হুনবা ঙল্লক্তে। শেল শান্দোকপসু, পুরুরিবা মখোয়সু পূন্না মথা শামিন্নে। পূক্লিং ৱাখল লৈতাদে।

মণিপুরী ফুরুপ ঐখোয় বেঙ্ক, পোষ্ট ওফিস নৎত্রগা ইন্সুরেন্স কম্পেনিদা শেল তুংশিনবগী হৈনবী লৈতে। মসিগী মহুত্তা লৈকায়গী থাগী শেনখায় মরুপ য়াওদুনা শেল তুংশিল্লি। তশেংনা য়াওগে খল্লুবদি লৈতে। মরুপ হৌরিবা মীওইশিংনা তোয়না হায়মনবদুদা খরা ফগদ্রা খন্দুনা মরুপ স্যের অনী য়াওই। ময়ায় ওইরপ্না পীগে হায়। শেন্দোয় হুন্দোই শরুক মসিনা ফগদ্রা খন্দুনা য়াথোকই। ফংলমদায় মরুপ তঙ্খায় চল্লকপদা মরুপ কায়রে, পান্থে লৈতে, মথা শাই, পূক্লিং ৱাখল লৈতাদে।

অরৈবা মান-চাং, লৌ-ইঙ্খোল কায়থোক্তুনা য়াল্লবা শেনফম মশক নাইরবা ফাইনান্সিএল ইন্সটিট্যুসন কয়াদা দিপোজিৎ তৌই। থাগী চাদা ৩-৪ ফাওবা তোঙান-তোঙানবা ফাইনান্সিএল ইন্সটিট্যুসনশিং অসিদগী শেন্দোয় ওইনা শেল মরাং কায়না ফংই। কোম্না শেল শীজিন্নবা ঙম্মী। খঙহৌদনা ফাইনান্সিএল ইন্সটিট্যুসন ময়াম অমা থোঙ লোনখি। শেন্দোয় পীবা লেপখি। খঙনীংনা হংলুই করি তৌবা য়াওবগে? পাউখুম পীরকই কোভিদ-১৯, অমনা অমুক হায়রকই বোর্দ ওফ দিরেক্টরসকী চ্যেরমেন লৈবাক অসি থাদোক্তুনা মীরমদা চেনখ্রে, করম কান্দা হাংগনি, কনামত্তা হায়বা ঙমদে। মথা শাই। পূক্লিং ৱাখল লৈতাদে। মীওই কয়া অমনা দিল্লি, মুম্বাইদা লৈবা ত্রেদর কয়াগা শঙ্গ তৌই। য়াল্লবা শেনফম কয়া থাদৈ। মালেমগী হৌজিক ওইরিবা ইকোনোমিক ক্রাইসিস অসিনা মাঙদুনা তোকই। ইমুং মৈশা লাংনরকই। শেল থৌবা লাকপা মী উনদনবা হোৎনবদা যূমদা লৈবা ফংদে। যূম থাদোক্তুনা চৎখিবা কয়া য়াওরকই।

লাইরিক হৈরবা নহারোল কয়া থবক ফংদবগী সমস্যা হেনগৎলকই। লৈঙাক্কী থবক্তবু তান্নরকই। লৈঙাক্কী থবক অমবু ফংলবদি খন্দুনা ৱাচৎ ৱানোম তৌরকই। লৈঙাক্কী থবক কৌগদৌরে তাবদা মীচং শঙ্গ থিরকই। অরৈবা মান-চাং বনধপ থমদুনা নৎত্রগা কায়থোক্তুনা ৱানোম্বা হৌরকই। অসুম্না চহী ৩/৪ হৌখিবা খঙহৌদে। শেন্দোয় পুবদা অৱাবা ওইরকই। মমৈথংদা শেন্দোয় শেল্লেপ পাশিল্লগা মহাজনগী অদুম ওইখি। থবক হায়দোক্লে, য়াওরক্তবগীনা লন-থুম, লৌ-ইঙ্খোল মাঙখিবগী মথা শাই। য়াওরকপগীসু চঙখিবা শেল অদু করম কান্দা হঞ্জিনবা ঙমগনি হায়না পান্থে থিবা হৌরকই। মোরেদা অহানবা পোষ্টিংনি। ওফিসর ঙাঙনরগা থা অমদা অমুক অনীরক চৎলগা য়াশিন্নে। অসুম্না তোয়না চৎলকপনা মীওই কয়া থেংনরকই। লল্লোন ইতিক তৌবা মীওই কয়া খঙনরকই। করবার পুনবা হৌরকই, নুংশিনরকই। মচা-মৱা লৈরবা নুপীদু যূমদা পুশিল্লকই। যূমগী কোকহন লায়হননি। পাখঙনি, যূম চঙহন্দে। নুপীদুসু মপুরোইবনা ইন্থোরকই। পান্থে লৈতে। মচা চাওপোক অদুগা অশানবা যূমদা লৈবা তাখি। নুপাগী কলেজা উৎথোরকই। মচা চাওপোক মেদিকেল তম্লিংই হায়দুনা লন্নাই মেদিকেল তম্বা থাই। ঙম্নবা হোৎনবদা থিকা তৌহনগনি, থবক হাপ্লীগনি হায়দুনা মীঙোন্দগী শেল লৌশিল্লি। পান্থে লৈতে লোৎতুনা খাঙই। মমৈথংদা থবক তোকপা তারকই। মথা শাই। পূক্লিং ৱাখল লৈতাদে।

ইলেক্সন মতমনি। ভোট লেপ্লিংবা মীওই কয়া চোঙথোরকই। শোয়দনা কাগনি, মীয়াম্বু থাজহল্লি। মীয়ামগী থৌগল তৌবা হৌরকই। শেল থাদরকই। ভোট কাদবা য়াদে হায়দুনা অয়ৌবী থাক্তা হোৎনরকই। ভোট হায়দোক্লে। সিক্যুরিটি দিপোজিৎ মাঙদুনা তোকই। মথা শাই, ভোট কাবসু কাদবসু। লৈঙাক শেম্বা হৌরকই। ফম পায়নবা হোৎনরকই। ফম পায়রে, পোর্টফোলিওগী অমুক মথা শাই। অপাম্বা পোর্টফোলিও ফংঙিগা ফংদেগা পূক্লিং ৱাখল লৈতাদে। ফম পায়রবা মতুংদসু ঐগী হায়বা ৱাখল্লোন্না মাঙওইনরগা থবক তৌবা হৌরকই। মথক থোংবগা মুক্নরকই। মশাগী ওইজবা ফংলক্ত্রবা মতমদা ফম থাদোক্লগে হায়রকই। ময়ামগী মমাঙদা লাউথোকই অরোইবা ফীরেপনি। পূম্নমক মঙগুম্না থোকখি। মঙগুম্না লোইখি। অরানবা অমা কুপশিন্নবা হোৎনবদা অরানবা কয়া তৌরকই। বিচার লোইশঙগী বিচারপতি ওইরল্লবদি অচুম্বা ৱায়েল ফংখিদ্রা। মথা শাই। পূক্লিং ৱাখল লৈতাদে।

লৈঙাক্কী ওফিসর কয়াসু মদুনা নুংশিবীনবনি হায়দুনা ফম্নাইবগী মতুং কোইন ইল্লি। ওফিসকী থবক কাউথোকই। চৎন-কাঙলোন থওইরক্তে। চাদা ২০ কম্মিসন পীবা ঙম্বা ফার্ম থিরকই। পোৎলম কয়া অমা লৈশিল্লি। পূম্নমক সব-ষ্টেন্দর্দ (Sub-standard) ওইরম্মী। মথা শাই। পূক্লিং ৱাখল লৈতাদে। কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা মশীং হেনগৎলকই। অনা-লায়েংফম লৈশিল্লক্তে। লায়েংফম লৈতবদগী অমা শিখি, অনী শিখি, মঙা শিখি মথং-মথং শিজিনখি। পূম্নমক মরায়বক্কীনি, তাইবঙ শেম্বা মপুনা তল্লল্লবনি খন্দোকই। শেলনা লুম্না লৌরকই। অনাবা ১০০ লায়েংবদগীদি থৱায় অমা কনবনা হেন্না মমল য়াম্মী। থৌদোক অসি দিল্লিদা থোকপা ওইরল্লবদি কমদৌবা। কোভিদ-১৯ অনাবা অমা লায়েংউ য়াদে হায়বগীমক লায়েংশঙ অদুগী মথক্তা মতিক চাবা থবক লৌখৎখি। নোংমা নোংমগী মীচম মীয়াম মীপাইবা হেল্লি। পূক্লিং ৱাখল লৈতাদে। মসিনি হৌজিক ওইরিবা মণিপুরী খুন্নাই। মীচম মীয়াম্না মশাগী হুমাংমল খঙদ্রবা, ফম্নাইবনা মশাগী ওইজবা থাদোক্ত্রবা, ওফিসরনা মথৌ মশক খঙদ্রবা লৈখিনি পূক্লিং ৱাখল লৈতাদবা। ●

---

# হীদাক কান্নরবা পাম্বীশিং ঃ নাপী

– ডা. হুইদ্রোম বীরকুমার –

সী এস আই আর ঃ নোর্থ ইষ্ট ইনষ্টিট্যুট ওফ সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি, লম্ফেলপাৎ

ঐখোয়না নাপী-শিংবী হায়রিবসি খরা পিক্তক তৌবা লমহাং-তুহাংদা পাক শন্না হৌরিবা পাম্বীশিং অসিনি হায়না লৌনৈ। তশেংনমক্তি নাপী হায়বসি অকক্লবা পাম্বী অমগী মমিংনি। পাম্বী অসি হেক য়েংবদা মরোয় নাকুপ্পী পাম্বীগুম্না চবুন ওইনা হৌই অমসুং মরোয় নাকুপ্পীদগী কনবা হেল্লি। নাপী হায়রিবা পাম্বী অসি থোইদোক-হেন্দোক্লা মোন্দো গ্রাস (Mondo grass) নৎত্রগা ফাউন্টেন প্লান্ট (Fountain plant) নৎত্রগা মোঙ্কি গ্রাস (Monkey grass) হায়না কৌই। পাম্বী অসি জপানিজদা জা-নো-হিজ (Ja-no-hige) নৎত্রগা রু-নো-হিজ (Ryu-no-hige) হায়বদি মথংশিংনা Dragon's beard নৎত্রগা Snkake's beard হায়বনি। নাপী পাম্বীগী সাইন্টিফিক নৎত্রগা বোটানিকেলগী ওইবা মমিংদা ওফিওপোগোন জেপোনিকস (Ophiopogon japonicus (L.f.) Ker Gawl.) নৎত্রগা কোনভালারিয়া গ্রেমিনিফোলিয়া (Convallaria graminifolia salisb.) অমসুং এসপারেগেসী (Asparagaceae) শাগৈগী মনুং চল্লি। বোটানিষ্ট খরগী মত মতুংইন্নদি নাপী পাম্বী অসি লিলিয়েসী (Liliaceae) নৎত্রগা কোনভালারিয়েসী (Convallariaceae) শাগৈগী মনুংদা চনগদৌবনি হায়না পাউদমলি। পাম্বী অসিবু ঐখোয়না নাপী হায়না কৌজরবসু অয়াম্বা নাপী পাম্বীগী শাগৈ হায়বদি পোয়েসী (Poaceae) নৎত্রগা গ্রেমিনী (Graminae) দা চন্দে।

পাউদমশিংগী মতুংইন্না নাপী হায়রিবা পাম্বী অসি ইন্দিয়া, জপান, চাইনা অমসুং ভিয়েটনামদগী হৌরকখিবনি হায়না ইরি। নাপী পাম্বী অসি ইভরগ্রীন হায়বদি মতম পূম্নমক্তা শংদুনতা লৈবা, চাওজন য়াম্না থীবা চহী কয়ামরুম পুন্সিবা অপিকপা পাম্বী অমনি। পাম্বী অসি ফুট অমা মখায় ফাওবা ৱাংবা হেক য়েংবদা মরোয় নাকুপ্পী পাম্বীগুম্মনা মনা অদু শাংলগা মরাক অদু য়াম্না চপ্পী। অঙৌবা মচুগী অপিকপা লৈ কয়ামরুম লৈমায়দগী থিনগৎলকপা মখোক অমদা চবুন ওইনা পাম্বী অদুগী মনাশিংগী মরক্তা লোৎতুনা শাৎলি। নাপী পাম্বীগী মহৈশিং অদু হিগোক মচুদা খূৎনাওবীমুক চাউনা মতুম তাই অমসুং হেক য়েংবদা অঙ্গুরগী মহৈ মাল্লি। মহৈ অদু হোম হোম লাওনা থোৎচরবসু হেক মেৎখায়বদা মনুংদা য়াম্না কনবা অঙৌবা নৎত্রগা ৱাওথাংনবা মচুগী মরূ অমা য়াওই।

নাপী পাম্বী অসি লৈমায়দা পাকথনা চাং নাইনা অকোয়বদা শন্দোক্তুনা শংত্রিক-শংনা চহী চুপ্পা হৌবা অমসুং পাক শিগন্দবা মরম্না যূমগী অকোয়বদা, হৈকোল-লৈকোলশিং অমসুং গল্লাদা য়াম্না পাম্না থানৈ। পাম্বী অসি লোন্দা কার্পেট গ্রাসকী মহুৎ শিন্দুনসু থানৈ। পাম্বী অসি য়েংবদা ফজবগী মথক্তা নোং অমসুং ঈশিংনা লৈবাক লৈশা চামথোকখিবদগীসু কনবা ঙম্মী। মরমদি পাম্বী অসিগী মরা অসি ফাইব্রস রুট হায়বদি লৈনুংদা পাক-শন্না শন্দোক্তুনা লৈ। চাইনাগী খরা ঈংতক তৌবা মফমশিংদদি নাপী পাম্বী অসি সোরোক্কী মতাই অমসুং মেদিয়ানশিংদা য়াম্না পাক-শন্না থাবা থেংনৈ।

ঐখোয়গী লমদম মণিপুরদদি নাপী পাম্বীগী মরূ হায়বদি সীদ অসি য়াম্না কুইরবা মতমদগী পরেং লেংলগা লীক নৎত্রগা উরিক অমগুম্না অহলশিংনা শীজিন্নরক্লি। হায়রিবা চরীক অসি চহী ৫০ ফাওবা শীজিন্নবা য়াই হায়না অহল-লমনশিংনা হায়বী। হায়রিবা লীক অসি শিবদা মীওইবা ঐখোয়দা কান্নবা অমদি লাইবক ফবা ওই হায়নসু থাজনৈ।

নাপী পাম্বী অসি মীওইবনা অনা-লায়েং খরদা হীদাক ওইনা শীজিন্নবগী পাউদমশিং লৈ। ঐখোয়গী লমদম মণিপুরদদি নাপী পাম্বীগী নৌতক তৌবা মনা অদু শুগাইরগা লৌবা মহী অদু চাং নাইনা তৈদুনা তীন-কাংনা চিকপা অদু লায়েংনৈ। লিননা চিকপদসু নাপীগী মনা শুগাইরগা থোমদুনা লায়েংবগী চৎনবী অমা লৈ হায়না অখঙ অহৈশিংনা পাউদমলি।

চাইনাদসু নাপী পাম্বী অসি অনা লায়েং খরদা শীজিন্নবগী পাউদমশিংসু লৈ। চাইনাগী মরোলদা নাপী পাম্বীগী মরা অদু মাইমেন দোং (Maimein dong) হায়না কৌই অমসুং পাম্বী অসিগী মরা অদু ঈশিংদা ফজনা ফুৎলগা শেম্বা মহী অদু চাং নাইনা পীথকপদা নুপীগী হকচাংগী কয়াৎশিং মপুং মরৈ ফাগৎহনবা ঙম্মী হায়দুনা শীজিন্নবগী পাউদমশিং লৈ। চাইনিজ হর্বেল মেদিসিন মেটেরিয়া মেদিকা (Chinese Herbal Medicine - Materia Medica) গী মতুংইন্না নাপী পাম্বীগী মরা অদু শুগাইরগা লৌবা মহী অদু পীথক্তুনা মখল মখা কয়াগী লায়নাশিং মরু ওইনা চাকখাও চাথৎপা, মশিংখা, থম্মোয় অমদি থবোম্বীগী লায়েংদা শীজিন্নবগী পাউদমশিং লৈ। হায়রিবা অশেম্বা মহী অদুদা খোইহী খরা হাপ্তুনা শেল্লবদি হেন্না ফৈ হায়দুনা শীজিন্নৈ। তোন্সিল তৌবা অমসুং ঙৌ চাথৎপদসু হায়রিবা অশেম্বা মহী অদুনা লায়েংনৈ। খোঙ হাম্বা য়াদবদা নাপীগী মরা অদু ঈশিংদা ফুৎলগা লৌবা মহী অদু পীথকপদা থোইদোক্লা কান্নহল্লি। চীন খ্রক-খ্রক কংবদা নাপীগী মরা অদু খোইহীগা শুগাইরগা শেম্বা মহী অদু খৌনাওদা য়োৎশিল্লগা নৎত্রগা তেংথোকপদা য়াম্না কান্নে। ●

---

## ষ্টেটকী পাউ

# এম এম দল্লিয়ু ওনা য়াইফ-পাউজেল পীরক্লি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৪ (ঐচ এন এস) : মণিপুর (কংলৈপাক)কী মাঙলুরবা নীংতম্বা বৃটিশকী মখুৎতগী কুমজা ১৯৪৭গী ওগষ্ট ১৪গী অহিং নোংয়াইদা কংলৈপাক্কী মীয়ামদা শীন্নরম্বা নুমীৎ অসিনা লাকপদা মণিপুর মুস্লিম ৱেলফ্যের ওর্গনাইজেসন (এম এম দল্লিয়ু ও)গী প্রসিদেন্টনা থৌমীশিংগা লোয়নননা লূপ অসিগী জেনরেল হেদ ক্বার্টরদা মণিপুর (কংলৈপাক)কী নীংতম ফিরাল চিংখৎতুনা ৭৪শুবা মণিপুর ইন্দিপেন্দেন্স দেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

৭৪শুবা মণিপুর (কংলৈপাক) নীংতম নুমীৎনা লাকপদা এম এম দল্লিয়ু ওগী প্রসিদেন্ট অব্দুলা ফুন্দ্রেমযুমনা মীয়ামদা য়াইফ-পাউজেল পীরক্লি।

এম এম দল্লিয়ু ওগী ইনফোর্মেসন এন্দ পল্লিসিটি সেক্রেটরি অদিল খুল্লাকপমনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, ৭৪শুবা মণিপুর নীংতম নুমীৎ অসিনা লাকপদা নীংতম্বগী মহাও খঙদ্রিবা ইরৈচা খূদিংমক্লা হীরম খূদিংমক্তা মীখা পোন্দবা ইরমদম ওইহন্নবা মাঙদা চঙশিনবগী থৌনাগা লোয়নননা অচেৎপা ফিরেপ অমা লৌমিন্নসি। লমদম অসিগী মীয়াম অসি চীঙ্গাক্তা, শেন্মীৎলোন্দা, খুন্নাইলোন্দা, লম্বী-থোংদা মরোমদোম লেপচবগী মতিক-ময়াই লৈরবসু শাংলবা চহী ৭৪ অসি মহি-ময়াই চম্বগা চপ মান্নবা হিংলক্লি। মণিপুর অমদি মেনলেন্দ ইন্দিয়াগা ফাওনরিবা নেসনল হায়ৱে অনী অসি হীরম অমা নৎত্রগা অমদগী গাড়ী চৎপা হেক য়ারক্তবগা মণিপুর মীয়াম চানিংঙাই লৈশিল্লক্তবগী পুক্লি পায়নরিবনি।

মসি করিদগী ওইরকপনো হায়বসি ইরৈচা খূদিংমক্লা কুপ্না নৈনদুনা চীঙ্গাক্তা মীপাল তাঙদবা খুন্নাই অমা ওইহন্নবা হেন্না কন্না হোৎনবগী মথৌ তাবগা লোয়নননা মণিপুরগী লৌফমশিংদগী পুথোরকপা পোত্থোকশিং অসি ইরমদমগী মীওইশিং খক্তনা শীজিন্নবা ওইরবদি লেম পান্না কোন্নফম থোকপনি। অদুবু মপান্দগী মীয়ানচা মীশিং কা হেন্না লমদম অসিদা লৈশিনখিবদগী মণিপুরগী লৌফমশিংদগী পুথোরকপা পোত্থোক্তগী চানবা মীশিং য়াম্না লৈখিবনা লমদম অসি চীঙ্গাক্তা মীপাল তাঙবা খুন্নাই অমা ওইহল্লকপগী চাউরবা মচাক অমা ওইরিবনি।

মসিদা নত্তনা লমদম অসিগী তুংগী যুন্বী ওইরক্কদৌরিবা নহা কয়া ঙসিদি ময়াই কাবা চীঙ্গাকশিং চাশিল্লক্তুনা মহাম ওইরবা খুন্নাই অমা ওইরকপা য়াবগী অকিবা লমদম অসিদা নোংম-নোংমগী হেনগৎলক্লিবা অসিদগী কন্নবগীদমক্তা ময়াই কাবা চীঙ্গাক অমদি মসিবু শেন্দাল লম্বী ওইনা শীজিন্নরিবা মীওইশিংগী মায়োক্তা মীয়াম পুম্নমক্লা খোঙজং চঙশিনবগী তঙাইফদবা লৈরে। মণিপুর লৈঙাক্লা ময়াই কাবা চীঙ্গাক্কী মায়োক্তা চঙশিল্লিবা ৱার ওন দ্রগ মপুং ফানা মায় পাকপগী খোঙথাং নোংম-নোংমগী হন্থরকপগী মওং মাল্লকপা অসি লাইবক থীবনি। মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদগী হৌগৎলক্লিবা নহাশিং উৎ ওইনা তুমহল্লগদবা য়াল্লবা দ্রগশিংগা মরী লৈননা ফাখিবা স্মগ্লরশিং য়াম্না থুনা বেলদা থোক্লকপা কয়া য়াওরিবা অসিনি। মরম অসিনা ঐখোয়গী মীয়াম অমদি মণিপুর গভর্ণমেন্টনা লমদম অসিগী তুংলমচৎতা তীঞ্জং-কায়জংদবা খুন্নাই অমা ওইহন্নবা ময়াই কাবা চীঙ্গাক্কী মায়োক্তা ৭৪শুবা মণিপুর ইন্দিপেন্দেন্স দেনা লাকপদা হান্নদগী হেন্না খোঙফম চেৎনা লেপ্নবগী ফিরেপ লৌমিন্নরসি।

লমদম অসিদা চহী চা কয়া অরৈ-লৈতা, তাথোক-তাশিন তৌনদুনা নুংশি-চান্ননা হিংমিন্নরকপা ইরৈচাশিংগী মরক্তা মপানগী পাৱরনা শাদোং জানবা য়াওদুনা হিংমিন্নরিবা ফুরুপচাশিংগী মরক্তা তোখায় তাবগী ৱাখল্লোন শাগৎলক্তুনা ফুরুপ কাঙলুপকী মিংদা হোমলেন্দ নৎত্রগা মণিপুর (কংলৈপাক)কী অপূনবগী শক্তমগী মায়োক্তা খোঙফম চেৎনা লেপ্ন রক্লিবা অসিনা কনাগুম্বা ফুরুপ অমা ফাওবগী তোংজবা ফংলোই। চফু কায়রগা ক্বাকনা হরাওই হায়বদু থোক্লবা মরম অমা ওইহল্লক্কনি। মরম অসিনা মণিপুর (কংলৈপাক)কী অপূনবদগী তোখায় তাবগী ৱাখল্লোন থাদোক্তুনা হীরম খূদিংমক্তা মীপান তাঙদবা কাঙলুপ অমনা অমবু নমথদবা ফংফম থোকপা চাকথুংশিং মান্ননা ফংমিন্নবা অমদি মান্নবা খুন্নাই অমা শেমগৎনবা ফুরুপ চাশিংনা হোৎনমিন্নবনা লমদম অসিগী কাঙলুপ ফুরুপ খূদিংমক্কী তুংলমচৎতা য়াইফবা ওইরক্কনি হায়নসু চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

# ফিরাল চিংখৎখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৪ (ঐচ এন এস) : মণিপুর ষ্টেট শুমাং লীলা কাউন্সীল অমসুং চীং-তম য়ুনাইটেদ ৱিমেন এসোসিএসন অনীনা খুৎশম্নদুনা মণিপুরনা নীংতম্বা ফংখিবা নুমীৎ ওগষ্ট ১৪গা মরী লৈননা শুমাং লীলা শঙলেন্দা পাখংবা পাফলগী ফিরাল চিংখৎখ্রে।

ফিরাল চিংখৎখিবা অসিদা মণিপুর ষ্টেট শুমাং লীলা কাউন্সীলগী একাদেমীক সব-কম্মিটিগী চ্যেরমেন ৱারেপ্পা নবনা হায়খি, ওগষ্ট ১৪ গী নুমীৎ অসিদা মণিপুর বৃটিশকী মখুৎতগী নীংতম্বা ফংখি হায়বসি তুংগী মীরোলনা খঙহৌনন্নবা থৌরম অসি পাঙথোকপনি। মণিপুর নীংতম্বা লৈবাক অমা ওইরম্মী হায়বসি চারোল-শুরোল ফাওবনা খঙহৌনন্নবা হোৎনবনি হায়নসু ফোঙদোকখি।




# ৭৪শুবা কংলৈপাক নীংতম নুমীৎ থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৪ (ঐচ এন এস) : বৃটিশনা চহী ৫০ হেন্না কংলৈপাক অসি পাল্লমদুনা মীখা পোনবা লৈবাক অমা ওইনা লৈরল্লবা মতুং কুমজা ১৯৪৭গী ওগষ্ট ১৪ দা বৃটিশনা কংলৈপাক থাদোক্তুনা চৎখিবা অমদি কংলৈপাক্লা নীংতম্বা ফংখিবা নুমীৎ অসিবু নীংশিংবা ওইনা ৭৪শুবা কংলৈপাক নীংতম নুমীৎ ২০২০ গী থৌরম ঙসি ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন ওফ কংলৈপাক (সুক)কী হেদ ওফিসতা পাঙথোকখ্রে।

সুককী প্রসিদেন্ট ধনকুমার নিংথৌজানা লুচিংদুনা কংলৈপাক্কী ফিরাল চিংখৎতুনা পাইহল্লবা মতুংদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা সুককী দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটি, ব্রাঞ্চ, য়ুনিটশিংগী থৌমীশিংনা শরুকয়াখি। ঙসিগী থৌরম অসিগী মরুওইবা শক্তমদি কংলৈপাক্কী ফিরাল চিংখৎতুনা পাইহনবা অমদি কংলৈপাক্কী পুৱারী নৌহৌননা নীংশিংমিন্নবা, খঙমিন্নবনা ওইখি।

সুককী জোইন্ট সেক্রেটরি থিংবাইজম তরুনকুমারনা থৌরম অসিগা মরী লৈননা থাদোরকখিবা চেরোল অমনা হায়, মীখা পোনবা হৈতবা, মীপাল তাঙবা পামদবা ইপা-ইপুশিংনা ইমা লৈবাক্কীদমক পাম্মুবা তৌদনা থৱায়না পোন্থা ওইদুনা ইমা লৈবাক কংলৈপাক্কী নীংতম্বা পুরকখিবনি। কংলৈপাক্কী নীংতম্বা ফংনবা অমদি ইমা লৈবাক্কী নীংতম্বা ঙাক্লবগীদমক ইপা-ইপুশিংনা থৱায় থাবা পাম্মুদনা লানফম কয়া থেংনখিবা ঙম্বগী থৌনা অদু ঙসিগী মীরোলনা নীংশিংবগা লোয়নননা মচা-মশু ওইরিবা ঐখোয়গী ঈদসু লেংদনা য়াওরি হায়বদু অপূনবগী থৌনাগা লোয়নননা উৎমিন্নসি।

ঐখোয় মশেলগী মরক্তা তোখায় তানিংবা, কংলৈপাক্কী অপূনবা শক্তম কায়নবা হোৎনরিবা পুম্বসি ৭৪শুবা কংলৈপাক নীংতম নুমীৎনা লাকপদা অসিগুম্বা ফৎত্রবা ৱাখল অদু থাদোকমিন্নরগা ঙসিদগী অপূনবগী থৌনা অদু উৎমিন্নদুনা কংলৈপাক অসি চাউখৎনবা, মীপাল তাঙদনা হিংবা ঙম্নবা, মহৈ-মশিন, শান্ন-খোৎনবা, খুৎ-শা হৈবা, লম খূদিংদা মালেম পুম্বদগী হেনবা ইমা লৈবাক কংলৈপাক অমা ওইবা ঙম্নবা কংলৈচা পুম্বনা হোৎনমিন্নরসি। সুকনা কংলৈপাক্কীদমক লেপ্লি অমদি অপূনবগী শক্তমদা শীংনরকপা খূদিংমক থৌনা ফনা মায়োং য়াগনি হায়নসু চেরোলদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

# মেদল ফংগদবশিংগী মনুংদা মণিপুরগী পুলিস পর্সনেল ৭ য়াওরে

## চীফ মিনিষ্টরগী ট্রোফি পীরগদবা পর্সনেলশিংগী মিংসু লাউথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৪, (ঐচ এন এস): ইন্দিপেন্দেন্স দে নুমিত্তা প্রসিদেন্টস পুলিস মেদল ফোর দিষ্টিংগুইস সর্ভিস অমসুং পুলিস মেদল ফোর মেরিটোরিয়স সর্ভিস ফংগদবশিংগী মনুংদা মণিপুরগী পুলিস পর্সনেল ৭ য়াওরি। প্রসিদেন্টস পুলিস মেদল ফোর দিষ্ট্রিংগুইস সর্ভিস ফংগদবা অদুদি অহানবা মণিপুর রাইফলসকী হবিলদার ক্ষেত্রিময়ুম রাজেননি।

পুলিস মেদল ফোর মেরিটোরিয়স সর্ভিস ফংগদবশিং অদুনা অহানবা মণিপুর রাইফলসকী হবিলদার অতোম সোভা, চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী এস আই নিংথৌজম অঙৌবী, অনীশুবা মণিপুর রাইফলসকী সুবেদার সিরো নিংলুম, অহানবা আই আর বিগী হবিলদার এস হেলেন হাওকিপ, শীংজমৈ পুলিস ষ্টেসনগী ওফিসর ইন-চার্জ ইন্সপেক্তর পোৎশংবম সঞ্জয় অমসুং মঙাশুবা আই আর বিগী জমাদার শৈল্যা কুমনচা ওইনামনি।

অমরোমদা, ইন্দিপেন্দেন্স দেগী থৌরমদা চীফ মিনিষ্টরস ট্রোফি ফোর কম্যুনিটি সর্ভিস অমদি চীফ মিনিষ্টরস ট্রোফি ফোর এন্টি দ্রগ কেম্প্যেন ফংগদবশিংগী মিং লাউথোকখ্রে।

মণিপুর লৈঙাক্কী হোম দিপার্টমেন্টনা থোকখিবা চেরোল অমগী মতুং ইন্না চীফ মিনিষ্টরস ট্রোফি ফোর কম্যুনিটি সর্ভিস ফংগদবশিংদি, বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস প্রিয়াদর্সিনি লাইশ্রম, থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী ইন্সপেক্তর ওইনাম ওজিৎ অমসুং থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী ৱিমেন পুলিস কন্সটেবল ওক্রম বিজেতানি।

চীফ মিনিষ্টরস ট্রোফি ফোর এন্টি-দ্রগ কেম্প্যেন ফংগদবশিংনা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস ডা. সরাংথেম ইবোমচা, জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টকী এ এস আই কৃষ্ণ শর্ম্মা অমসুং নার্কোটিক্স এন্দ এফ্যেরস ওফ বোর্দর (এন এ বি)গী হেদ কন্সটেবল এম রিনাস মৈতৈনি হায়রি।

# 'অয়ুশ হোস্পিটাল কোভিদ ক্যের সেন্টর ওইনা শীজিন্নরগনি'

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৪ (ঐচ এন এস) : ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা কৈরাওদা নৌনা শাগৎখিবা ফমুং ৫০ লৈবা অয়ুশ হোস্পিটাল অসি শেম-শাবা হেক লোইবগা কোভিদ ক্যের সেন্টর ওইনা শীজিন্নরগনি হায়না হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফ্যের মিনিষ্টর এল জয়ন্তকুমারনা ফোঙদোকখ্রে।

কৈরাওদা ফমুং ৫০ লৈগদবা অয়ুশ হোস্পিটাল শেমগৎ-শাগৎপগী হৌজিক হৌজিক পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিং হকথেংননা ঙসি হেল্থ মিনিষ্টর এল জয়ন্তকুমারনা য়েংশিনখিবগা লোয়নননা মথক্কী ৱাফম অসি মহাক্না ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্না হায়খি, ফমুং ৫০ লৈগদবা অয়ুশ হোস্পিটাল শেমগৎ-শাগৎপগী থবক অসি লাক্লিবা নুমীৎ খরনিগী মনুংদা লোইরগনি। ষ্টেট অসিদা কোভিদ-১৯গী লাইচৎ অসি মখা তানা শন্দোরক্কদ্রা হায়বগী মীপায়বা লৈরি। মরম অসিনা ষ্টেট লৈঙাক্লসু মাঙজেন্ননা থৌরাং থৌশিল কয়া অমা লৌখৎহৌবগী তঙাইফদবা লৈরি। করিগুম্বা কোভিদ-১৯গী কেস মশিং হেনগৎলকপা মতমদা মথৌ তারকপা কোভিদ ক্যের ফেসিলিটিশিং নীংথিনা লৈহন্নবগীদমক নৌনা শাগৎলিবা ফমুং ৫০ লৈবা অয়ুশ হোস্পিটাল অসিবু কোভিদ ক্যের সেন্টর ওইহন্নবা হোৎনরি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

য়েংশিন খোঙচৎ অদুদা ষ্টেট অয়ুশ সোসাইটিগী সী ঈ ও, ডা. এ গুনেশ্বর শর্ম্মা অমদি ওফিসল কয়াসু শরুক য়াখি।

# ভলন্টরি হেল্প য়ুনিট কম্মিটি রিমসনা মতেং পাংখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৪ (ঐচ এন এস) : মীপায়নিংঙাই ওইরবা কোভিদ-১৯ লাইচৎ থেংননবগীদমক তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিংদা মথৌ পাঙথোক্লিবা পুলিস পর্সনেলশিংবু পূক্লিং থৌগৎতুনা ভলন্টরি হেল্প য়ুনিট কম্মিটি রিমসনা চথুরকপা তেংবাং পীবগী শরুক অমা ওইনা ঙসিসু থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট পুলিস অমদি ককচিং দিষ্ট্রিক্ট পুলিসতা পর্সনেল প্রোটেক্টিভ ইক্বিপমেন্ট (পি পি ঈ) অমদি ফেস মাস্কশিং তেংবাংখ্রে।

তেংবাং পোৎলমশিং অদু থৌবাল পুলিসকী ওইনা এস ডা. এস ইবোমচাদা খুৎশিন্নখি। ককচিং দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী ওইনা এদিসনল এস পি (এল ও) এ রোমেন্দ্রোনা খুৎশিন্নখি। ককচিং দিষ্ট্রিক্ট পুলিস অমদি থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী মায়কৈদগীসু ভলন্টরি হেল্প য়ুনিট কম্মিটি রিমসনা কোভিদ-১৯ থেংনবদা মথৌ পাঙথোক্লিবা পুলিসশিংনা লৌরিবা থৌদাং অসিবু মশক খঙবীদুনা পূক্লিং থৌগৎপীবগা লোয়নননা পি পি ঈ অমদি ফেস মাস্ক মতেং পাংবীরকপগীদমক থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

পি পি ঈ অমদি ফেস মাস্ক তেংবাং পীবা অদুগা মরী লৈননা ভলন্টরি হেল্প য়ুনিট কম্মিটি রিমসকী প্রসিদেন্ট এম সুভাসনা হায়খি, কম্মিটি অসি কুমজা ২০০১গী জুন ১৮গী থৌদোক্কা মরী লৈননা লিংখৎখিবনি। কম্মিটি অসিনা মীয়ামগী মতেং পাংদুনা থৌগল তৌরকপা চহী ২০ মপুং ফারে। কোভিদ-১৯গী লাইচৎ অসিদা মথৌ পাঙথোক্লিবা পুলিস পর্সনেলশিংবু পূক্লিং থৌগৎপা ওইনা তেংবাং পোৎলমশিং অসি পীবনি হায়খি।